# দার্জিলিংদা জি জে এমগী বন্দ হৌখ্রে
## বন্দ শৌগৎপা ৮ ফাখ্রে, টুরিষ্টশিং হনখিনবা খঙহনখ্রে

দার্জিলিং, জুন ১২ (এজেন্সী) :
গোর্খা জনমুক্তি মোর্চা (জি জে এম) না দার্জিলিংদা থা অমা চুপ্পা চথুগদবা বন্দগী খোঙজং হৌখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা মৈ থাখ্রে।

সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু হোটেল কয়া থোঙ লোনখি অমসুং লন্বীদা গাড়ী চেনখিদে।

জি জে এমনা তোখায়বা গোর্খালেন্দ ষ্টেট তাল্লদুনা চঙশিল্লিবা বন্দগী খোঙজং অসিদা স্কুল অমসুং কোলেজশিংদি কোমথোকখি। অদুম ওইনমক দুকান, কৈথেল অমসুং লন্নাই ওফিস পুম্নমক থোঙ লোন্নখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না জি জে এমগী মীওই নিপান বিজানবারি ব্লোক্তা লৈবা খুলবজারগী বি দি ও ওফিস মৈ থানবা হোৎনরিঙৈদা পুলিসনা ফাখি হায়রি।

লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমা মৈ থাগদৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী পুলিসনা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা মীওই নিপান ফাবা ঙমখিবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি দার্জিলিং মফম অমত্তদা থোক-হন্নিংদবা থৌদোক থোকপা লৈত্রি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট জোয়োসি দাসগুপ্তনা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টকী ওফিস, গোর্খালেন্দ টেরিটোরিয়েল এদমিনিষ্ট্রেসন (জি টি এ) গী ওফিস অমসুং অতৈ মরু ওইবা মফম কয়াদা অহেনবা পুলিস পার্সনেলশিং থমদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। কনাগুম্বনা লোগী মায়োক্তা লেপ্পুনা বন্দ শৌগৎপা তারবদি মতীক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লম কোয়বা লাকপা মীওই অমত্তা খুদোংথীবা থোকহন্দনবা হোৎনরি।

জি জে এমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈবা বেঙ্কশিং চয়োল অমদা শুপ্প গী নুমিৎ নীনিখক থোঙ হাংনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজংদা শরুক য়াবীনবসু মহাক্না আপিল তৌখি।

থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াবা মরম্না লম কোয়রকপা মীওইশিংসু দার্জিলিং থাদোক্তুনা চৎখিনবা জি জে এমগী প্রসিদেন্ট বিমল গুরুংনা ফোঙদোকখি।



# প্রসিদেন্ট মীখলগী মতাংদা বি জে পিনা মীওই অহুম্না শাবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১২ (এজেন্সী) :
প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলগা মরী লৈননা ওপোজিসন য়াওনা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা ৱারী শাননবগীদমক ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না মীওই অহুমনা শাবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা হায়খি, প্রসিদেন্ট মীখলগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা ৱারী শাননবগীদমক হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর এম ভেনকয়ানাইদুনা শাবা কম্মিটিদা থৌদাং পুম্নমক শীন্নরে। কম্মিটিনা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী লুচিংবশিং উনদুনা কন্সেন্সস কেন্দিদেট অমা পুথোক্লবা হোৎনগনি।

প্রসিদেন্ট মীখলগী মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ জুন ২৮ নি। জুলাই ২৪ দা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিগী মতম লোইগদবনা জুলাই ১৭ তা অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবগী মীখল পাঙথোক্লবা মতম লেপখিবনি।

হৌজিক ফাওবা বি জে পিনা মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওই অমত্তগী মিং ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুবু কোংগ্রেস য়াওনা ওপোজিসন পার্টিশিংগী ওইনদি কন্সেন্সস কেন্দিদেট অমা থাদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা ওপোজিসনগী অমত্তা ঙাইরবা মীরেপ থাগৎনবা হোৎনরি। মমাঙদা মহাক্না হীরম অসিগা মরী লৈননা ওপোজিসন পার্টিশিংগী ওইবা মেম্বর ১০ না শাবা সব-গ্রুপ অমা শেম্বা লৈখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সব-গ্রুপকী মেম্বরশিং মীফম পাঙথোক্লুনা প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস-প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলগা মরী লৈননা ৱারী শানগদৌরি। সব-গ্রুপতা য়াওরিবা মীওইশিংদি কোংগ্রেসকী গুলাম নবি অজাদ অমসুং মালিক আর্জুন খারগে; জে দি (য়ু) গী শরদ যাদব; আর জে দিগী লালু প্রসাদ যাদব; সি পি আই (এল) গী শিতারাম য়েচুরি; ত্রিনামূল কোংগ্রেসকী দেরেক ও ব্রেন; সমাজৱাদি পার্টিগী রাম গোপাল যাদব; বি এস পিগী সতিশচন্দ্র মিশ্রা; দি এম কেগী আর এস ভার্টি অমসুং এন সি পিগী প্রফুল পটেলনি।



# প্রেসকী নিংতম্বদা শীংনরক্লবদি হ্যুমেন রাইটস মপুং ফানা ঙাক শেনবা ঙম্লোই : হমিদ অন্সারি

বেঙ্গলুরু, জুন ১২: মেদিয়াগী নিংতম্বদা শীংনরকপা থোক্লবদি মীচম-মীয়ামগী রাইট মপুং ফানা ঙাক শেনবা ঙম্লোই হায়না ভাইস-প্রসিদেন্ট হমিদ অন্সারিনা ফোঙদোকখ্রে।

বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা নেসনল হেরাল্ড পাউচে ফোঙবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবদা ভাইস-প্রসিদেন্টনা হায়খি, মীওইবগী রাইট ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা মেদিয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌরি। করিগুম্বা প্রেসকী নিংতম্বদা শীংনরকপা থোক্লবদি হ্যুমেন রাইটস ঙাক শেনবা ঙমদবা মরম্না লৈবাক কাংখোং চাইরকপা য়াই।

কোংগ্রেসকী ভাইস-প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউচে ফোঙবগী থৌরমদা হমিদ অন্সারিনা হায়খি, ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমদা লৈঙাক পায়রিবা মীওইশিং মথৌ নিংথিনা তৌহন্নবা হোৎনবদা মেদিয়াগী থৌদাং চাউই। মরম অদুনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকেল ১৯ (১) (এ) না মেদিয়াদা নিংতম্বা পীরিবনি।

নেসনল হেরাল্ড পাউচে হৌদোক্লম্বা পন্দিত জৱাহরলাল নেহরুনা মেদিয়াবু দিমোক্রেসিগী মরু ওইবা মখোঙ ওইনা লৌরম্মী হায়না পল্লদুনা হমিদ অন্সারিনা হায়খি, অথিংবা অমসুং অপনবা য়াওদবা মওংদা মেদিয়ানা মনিং তম্না মথৌ পাঙথোকপা ঙম্লবা মতমদা লৈবাক অমা চাউখৎহনবা ঙমগনি।

মথৌ তৌরিবা পাউমীশিং ঙাক শেন্নবগী মতাংদা লৈরিবা ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট এল এক্সপু ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিত জৱাহরলাল নেহরুগী খুদোলনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কনার্টকাগী চীফ মিনিষ্টর শিদারময়ানা হায়খি, এসোসিয়েটেদ জর্নেলস লিমিটেদনা নেসনল হেরাল্ড পাউচে নৌনা হিঙ্গৎহল্লগনি তাবদা হরাউবা পোকই। পাউচে অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌনবী মতুং ইন্না ঙসি ফোঙখ্রবা নেসনল হেরাল্ড পাউচেনা মতম অমদা লৈবাক্কী মাঙজিল থাবা পাউচে অমা ওইবা ঙমখিবগুম অনৌবা মতমগী ইনিদয়াদা পাউচে অসিনা মীচম-মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ভাইস-প্রসিদেন্টনা হৌনবী মতুং ইন্না রিলিজ তৌখ্রবা পাউচে অসিগী ওনলাইন ৱেব এদিসন মমাঙ চহীদগী পুথোকপা হৌখ্রবনি। জুন ২০ দা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা পাউচে অসি নৌনা অমুক লোঞ্চ তৌগদৌরি।

কুমজা ১৯৩৮ গী সেপ্টেম্বর ৯ দা পন্দিত জৱাহরলাল নেহরুনা এদিটর ওইরগা পাউচে অসি ইহান হান্না লক্ষনৌদা ফোঙখিবনি। মতমদুদা শেল-থুমগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপদগী কুমজা ২০০৮ দা পাউচে পুথোকপা লেপখি। পাউচে অসিগা মরী লৈননা বি জে পিগী লুচিংবা সুব্রমনিয়ম স্বামিনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী, ভাইস-প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী, ট্রেজরর মোতিলাল ভোরা, কোংগ্রেস লুচিংবা ওস্কার ফর্নান্দেজ, সুমন দুবে অমসুং সেন্ট পিট্রোদাগী মথক্তা কেস থাঙ্গৎখিবনি।



# জুন ২৫ দা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি য়ু এসতা চৎকদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুন ১২ (এজেন্সী) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্পনা চেবাউ পীরকপগী মতুং ইন্না জুন ২৫ অমসুং ২৬ তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ৱাশিংটনদা চৎকদৌরি।

জুন ২৫ দা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাশিংটনদা থুংলুরবা মতুং থংনবা নুমিৎতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্পকা উনদুনা ৱারী শানগনি হায়রি।

লুচিংবা অনী উনদুনা ৱারী শানবা হন্দক্লা অহানবা ওইরগনি। চহী অসিগী জান্যুৱারীদা ত্রম্পনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মায় পাকখিবা মতমদা লুচিংবা অনী টেলিফোনদা ৱারী শানখি। অদুবু হকথেংননা উনদুনা ৱারী শানবদি হন্দক্লা অহানবা ওইগনি।

কুমজা ২০১৬ কী জুনদা মতমদুগী য়ু এস প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা হায়জরকপগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা য়ু এসতা চৎপা লৈখ্রবনি। মতমদুদা মহাক্না য়ু এস কোংগ্রেসকী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাঙখি।

মমাঙ চহীগী নবেম্বরদা ত্রম্পনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইনা মায় পাক্লকপদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোকপগী পাউজেল পীখি অমসুং লুচিংবা অনী অথুবা মতমদা উনদুনা ৱারী শানবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

ত্বীটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মোদিনা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা অচেৎপা মরী থম্নবগীদমক অথুবা মতমদা ত্রম্পকা উনদুনা ৱারী শানবা পাম্মী। মদুগী পাউখুম ওইনা ত্রম্পনসু মোদিবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লাক্লবা চেবাউ পীরকখি।

ৱাশিংটনদগী থাদোরকপা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মদুদি অনৌবা প্রসিদেন্টনা ইন্দিয়াবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অশেংবা মরুপ্পি হায়না লৌই। টেররিজম য়াওনা মালেমগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা পুম্নমক লৈবাক অনী খুৎশম্নরগা মায়োক্লবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মালেমদগী টেররিজম মরূ ফংনা মাঙহন্নবা হোৎনবদা ত্রম্প অমসুং মোদিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংগা পুন্না চৎমিন্নগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা য়ু এসকী ৪৫শুবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা দোনাল্দ ত্রম্পনা হিলারি ক্লিন্টনবু মায়থীবা পীখিবনি। মীখলগী হেক লাউ-থোরকপগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ত্বীটরগী খুথাংদা ত্রম্পপু থাগৎপা ফোঙদোকপগী ৱারোল ফোঙদোকখি।

## ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে

শ্রী নগড়, জুন ১২ (এজেন্সী) :
পাকিস্থানি আর্মিনা ঙসি অয়ুক পুং ৬.২০ তাবদা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) মনাক নক্না লৈবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কৃষ্ণ ঘাতি সেক্টরদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে।

ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইন্দিয়ন আর্মিনসু খুৎ হন্দুনা পাকিস্থান লোমদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিনখি হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিৎতসু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী নাওসেরা সেক্টরদা পাকিস্থানি আর্মিনা সিজফায়রগী কাঙলোন থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪৫ তাবদা পাকিস্থান রেঞ্জরসনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রামঘর সেক্টরদা লৈবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী বোর্দর পোষ্টতা নোংমৈ কাপ-শিল্লকখি। ইন্দিয়ন আর্মিনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পখি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা পাকিস্থান আর্মিনা রাজোরি দিষ্ট্রিক্টকী ভিম্বর ঘলি সেক্টরদা লৈবা ইন্দিয়াগী বোর্দর পোষ্টতা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি।

থাংজ নুমিৎতসু পাকিস্থান আর্মিনা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী কৃষ্ণ ঘাতি সেক্টরদা মোর্টার রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকপা লৈখ্রে।

চৈরকসিদা, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ট্রালদা লৈবা সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ) কী কেম্প অমদা টৈররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকপদা মীওই অনী অশোক-অপন নংলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতসু খা থংবা কাশ্মিরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপ-শিল্লকপদা পুলিসমেন অমা অশোক-অপন নংখি। থৌদোক অদু জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসকী স্পেসল ওপরেসন্স গ্রুপ (এস ও জি) কী পার্সনেলশিং লৈবা কেম্প অমগী মনাক্তা থোকখিবনি। অশোক-অপন নংলবা মীওই অদু স্পেসল পুলিস ওফিসর খুরসিদ অহমদনি হায়রি।


[illegible]/DOCUMENT LOST

I have lost my Admit Card, Marksheet Cum Original Certificate of HSLC Examination, bearing Roll No. 3223 of 2013, issued by Board of Secondary Education, Manipur (BOSEM) on the way from Babupara to Keishampat on 05/06/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.


**Sd/- M. Thotngam**
Letyangtang, Somdal Village,
Ukhrul, Manipur

HL-P/1807/13



[illegible]/ওজা জিয়া উল-হগপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুঙশংনা নাদুনা সৌজ নান্থবা, সৌজ অদু অমুক হনগৎ লুয়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, ফম্বী ৱাৎপা, খোঙ হাম্বা লিকপা, থা ৭ মুক্কী মনুংদা অমাঙথোংদা য়াম্না চাউনা পোমথোরকপা, অদুগী মতুংদা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা খোঙ হাম্বা য়াদবা, পুক য়াম্না য়েক্লগা পুক ময়াদা মীহুন চোংবগুম তৌবা, ফিষ্টুলাদা মখুল ২/৩ হুৎলে হায়দুনা ওপরেসন তৌরুবা মতুংদা অতোপ্পা মখুল ২/৩ হুৎলকপা, খ্বাঙ নাবা, তাং-তাং চিকপা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 96152-56612** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।



*লায়েংফম ঃ* 1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday & Saturday open).

*থাগৎচরিবা :* **Ph. Qysmiel**
***Lilong Turen Ahanbi***

HL-P/0743/20/5-20/6



[illegible]/ফম্বদা য়াম্না চিক-নাবা অমদি চৎপদা চক-চক থিল্লগা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা ফম্বদা য়াম্না চিক-নাবা অমদি চৎপদা চক-চক থিল্লগা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা মতমদসু য়াম্না চিক-নাবা, খাঙবা ঙমদবা, শা-ঙা চারগনা খোঙ হাম্বা য়াম্না নুংঙাইতবা, ফিষ্টুলা মনুংদগী নাই লেপ্পুনা থোরকপা, খোঙ হাম্বা লোইবা ঙমদবা, অমাঙথোং অকোয়বদা য়াম্না চিকপা-নাবা, অমাঙথোং ময়াদা চোৎ-চোৎ লাউরগা লৈবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ☎ ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু ওপরেসন তৌদনা ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

*থাগৎচরিবা :* **Khaidem Purnachandra Singh**
Wangkhei Ningthempukhri

HL-P/1649/13


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
**IMPHAL WEST : HIYANGTHANG**
***Ref:- Mut Case No. /SDC/IW (H)2017***

Ngangom Pushpa Devi w/o (L) Thanil @ Thaniljao Singh of Irom Meijrao.
*-Applicant*

-Vs-

1. Late Ningthoujam Tomcha Singh s/o (L) Hera Singh, 2. Late -do- Ibecha Devi w/o (L) Tomcha Singh, 3. Late Ngangom Thaniljao Singh s/o (L) Kesho Singh of Irom Meijrao.
*-Respondants*

**[illegible]/NOTICE**
Hiyangthang, the 12th June, 2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি, ঈঃ ওঃ খুল নং ৯-ইরোম মৈজ্রাও অরিবা পাট্টা নং ৪৫৩, অনৌবা পাট্টা নং ২৬৬, ১৭২ অনৌবা ৭৪২, অরিবা ১৫২ অনৌবা ১২৭, অরিবা ৪৩৭, অনৌবা ২৬৯ অমসুং অরিবা ৮ অনৌবা ৩৩৫গী মোট এরিয়া ০.৩৮, ০.৩৬, ০.৬৬, ০.৩৬, ০.৬৮, ৮৭, ০.৭২ একরগী ফৌরেল লৌফম অসিগা ০.৪৩৫ একরগী ইঙ্খোল পুম্নমক অসিগী পাট্টাদারশিং মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারশিংগী মমিংদগী দংকারিগী মিংদা ওনশিনবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। উক্ত পাট্টাদারশিংগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা পাউচেদা ফোঙলিবা নুমিৎ অসিদগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা আপতি তৌরবা য়াগনি। নুমিৎ অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা আপতি অমুক লৌরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেশ মখা চথরগনি।

***Sd/- P.G. Joel***
**BC-For Sub-Deputy Collector,**
Imphal West-II, Hiyangthang.

HL-P/0644/13


[illegible]/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্লচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্লচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্লচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3918/5/06-04/07


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF ART & CULTURE**

**NOTICE INVITING RATE QUOTATION**
Imphal, the 12th June, 2017

**No. 5/12/2013-AC(NEC) :** Sealed rate quotation for supply of the following food items are invited from the intending firms :-

| Sl.No. | Type of Meal | Item of Food |
|---|---|---|
| 1. | Vegetarian Meal | - Rice, Dal, Subji (Green Vegetable), Champhut Papad. |
| 2. | Non-Veg. Meal | - Rice, Fish/Chicken Curry, Iromba, Champhut, Dal. |
| 3. | Breakfast | - Tea/Coffee/Milk, Egg (boiled)/Roti/Singhara/Bread, Butter, Banana. |
| 4. | Tea & Snacks | - Tea/Coffee, Biscuit (Variety). |

The last date for submission of rate quotation of the above food items in a sealed envelope to the undersigned is 4.00 p.m. of June 17, 2017. Any complaint after the due date will not be accepted. The decision of the Tender Committee will be final.

***Sd/- Dr. K. Sushila***
Director, Art & Culture, Manipur

HL-P/1799/13

No 3/01/2016-For & Envt.
Secretariat : Forest & Environment
Government of Manipur

**Range Officer : Written Test Result**
Imphal, the 12th June,2017

Candidates bearing the following Roll Nos. are found qualified for walking test as per Range Officers' written examination held on 4th June, 2017. ( in order of Roll No.).

| | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1013 | 1022 | 1032 | 1038 | 1101 | 1135 | 1136 | 1305 | 1541 | 1552 | 1595 | 1850 |
| 1904 | 2020 | 2287 | 2288 | 2310 | 2311 | 2318 | 2356 | 2358 | 2368 | 2407 | 2428 |
| 2485 | 2491 | 2493 | 2502 | 2505 | 2507 | 2508 | 2518 | 2524 | 2525 | 2527 | 2528 |
| 2533 | 2536 | 2537 | 2538 | 2539 | 2542 | 2543 | 2544 | 2549 | 2551 | 2553 | 2554 |
| 2555 | 2557 | 2562 | 2564 | 2579 | 2580 | 2587 | 2594 | 2599 | 2642 | 2646 | 2647 |
| 2648 | 2652 | 2664 | 2671 | 2672 | 2683 | 2686 | 2694 | 2697 | 2712 | 2715 | 2718 |
| 2719 | 2721 | 2724 | 2730 | 2731 | 2733 | 2798 | 2800 | 2813 | 2814 | 2834 | 2836 |
| 2847 | 2855 | 2858 | 2865 | 2873 | 2874 | 2909 | 2914 | 2918 | 2919 | 2925 | 2928 |
| 2929 | 2932 | 2935 | 2948 | 2952 | 2970 | 2980 | 2998 | 3009 | 3010 | 3023 | 3039 |
| 3044 | 3045 | 3050 | 3054 | 3055 | 3056 | 3110 | 3117 | 3122 | 3123 | 3127 | 3128 |
| 3135 | 3139 | 3147 | 3152 | 3156 | 3181 | 3455 | 3459 | 3480 | 3482 | 3492 | 3530 |
| 3532 | 3565 | 3566 | 3580 | 3599 | 3653 | 3740 | 3760 | 3806 | 3885 | 3890 | 3895 |
| 3956. | | | | | | | | | | | |

Walking Test & Viva-Voce shall be conducted as per the schedule below :

**Walking Test** : On 20/6/2017 at Khuman Lampak Complex
Roll No. 1013 – 2719 : 7.00 AM – 11.00 AM
Roll No. 2721- 3956 : 1.00 PM to 5.00 PM

Viva Voce : Venue : Forest Head Office, Sanjenthong

Roll No. 1013 – 2719 - On 23rd June, 2017
From 10.30 AM

Roll No. 2721- 3956 - On 24th June, 2017
From 9.00 AM

Candidates are advised to come with all relevant documents in original for verification at the time of interview.

( Shambhu Singh )
Addl. Chief Secretary (For & Env)

HL-P/1806/13